# কুমজা ১৮৯১গী এপ্রিল থাগী থৌদোকশিং অমুক হন্না লাক্কবা ওইরসনু

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

মার্চ অমদি এপ্রিল থা অনীসি কৈনোমা ইতৌ তৌই। অৱাবনি হায়সিরা নুংঙাইবনি হায়নবু শৈথাসিরা, অনীমক ইচু হেক চুনৈ। খোরিরোলগী লোন্দা হায়রগা পিরাংলক্তা মোমোন মীনোক থা, অসুম্না শীজিন্নবা য়াবরা? য়াম্না তাঙনা করিগুম্বা মতমদা ফেব্রুৱারী লোইশিল্লকপগা ইরোয়ননা মার্চ থা হৌগৎলকপদা পাঙথোকপা য়াওরবসু মপূং ওইনা মার্চ থাদনি য়াওশঙ কুম্মৈনা মথুম মরাং হৌহনবসি। খূৎকা খূৎকা শম্নদুনা চোঙবা থাবলনা মরোল অমা নুংঙাইখ্রিবা। কুমসি চহীবুদি থাবল চোঙবা থিংখ্রে। লায়না লাইচৎসিনা তৌবা ঙম্বসি ঙম্মীকো। এপ্রিল ১৩ শজিবু নোংমা পানবা চৈরাওবা নুমিত্তুমদি চেক মোক লাউনখিদ্রে হায়বা য়াই। লূপ অমগী অথিংবা লৈবগীনি। নহান এপ্রিল ১৪ চরক পুজা নুমিত্তু মণিপুরদসু চৈরাওবা হায়না পাঙথোকই। চৈরাওবগী মিংদনি, অতোপ্পা মফমদদি খঙদে ঐখোয় শ্বাইদা থাবল চোঙখৎনরকপদুদি পুমলাঙনি। থুক লাউবদি ফাওদবা, নুংওনবা মতৌসু য়াওদবা, নুংশিবা লৈখোনসু পক্তবা লমজেল তান্নরিব্রা খনবা থাবল চোঙবীগী মখোলনা পূমনিন হেক নিনবজাৎনি। ঙাইহাক লৈরগা পুলিস লাকই করি করিনো লাউরদুনা। ইমুংদগী তাবনি, অহল লমনশিংনা মচা মশুশিং লোইশিন্দে হায়বগুম্ন সু তৌই। থাবল মখোলদু তাখিদ্রে। কুইদে ঙাইহাক লৈরগা অমুক চোঙখৎনরকই। খল্লি, “থাবলনা চোঙনীংলবদা করিমত্তা খনবীদবজাৎনি।” হায়রুবসু য়াদেনে, “মোয়না তৌবদি য়ারগা, মথৌ লৈতে” হায়রকপসু য়াওই। নোংঙাল্লকপদা খঙলকই, লৈরক লমজাউদা চোঙবা থিংলবসু শুমাংদা চোঙবদি থিংদে। থাবল চোঙলিবদু নহা-পাখঙ-লৈশাবীগী মশীংদি ইয়াম্বু য়ামদমাল্লে। মৌনাও-মৌয়াইনা অয়াম্বনি হায়। মৌরি খরসু য়াওই হায়। থাঙ্গৈশেংবদি চৈরাওবদা থাবল চোঙবসিবু তৌহৈব্রা-তৌহৈদব্রা হংবা য়াবা ৱাহংনি। মীনা ঙম্বসি ঙম্বনিদা তৌহৈবা-তৌহৈদবা মীখলগী ফল হায়দোকপদা মায় পাক্লবা মীরেপকী কাঙবুনা থাবল তকখত্তনা চোঙখৎনরিদুনি।

য়াওশঙ কুম্মৈ লোইখ্রকান্দা পূক্লিংদি অদুম্মক মরাঙ মরাঙদুনা লৈরবসু, শজিবু চৈরাওবা চহী হৌবগী হরাউ নুংঙাইবা ফাওরবসু মার্চ লোইশিল্লমদাইদগী এপ্রিল লোইরমদাই ফাওবসি মরক মরক্তা পুৱারীগী থৌদোক অমনা খংপ্রেক-খংপ্রেক খংহনবা মতাংসু য়াওদবা নত্তে। ইরৈচা অয়াম্বসু অদুম্মক ফাওরমগনি খল্লি। করম্নসু ফাওরোই, লোইলম শন্দোকপদা হালেংদ্রবা বৃটিশনা ময়া লাউনা কাথোক্তুনা মণিপুরবু উমশিনগে হোৎনরকখিবনি। উম্বসু উমশিনখি। চহী য়াঙ্খৈতরুকলোম পানখিবনি। চহী অদুমদি য়াওশঙগী মহাউ, চৈরাওবগী মথেন মফম মরাং অমত্তা খঙলম্লোই। লান মরক্তুদা ওইরমগদবা ফীভমদু খল্লুবদা মিহুনসে দঙ দঙ চোঙলকই। লাম্থেংনগদৌরিবা কাঙবুদুসু অচম্বা নত্তে, মতমদুগী ওইনা নুমিৎ তাবা লৈত্রবনি হায়নখিবা বৃটিশনি। কুমজা অদুমদি লমতাগী য়াওশঙ কুম্মৈ মীকপ মীরাওখোলনা নিল্লমগনি। য়াওশঙ হৌগদবা নোংমা ৱাৎলিঙৈদনি, মার্চ ২৪গী অমম অঙান শিন্নরকপা মতমদা বৃটিশ লান্মীনা যুবরাজ টিকেন্দ্রজিৎকী শঙ্গাইদা খঙহৌদনা লান্দাশিল্লকখি। মণিপুর লান্মীগা অকনবা লান শোক্লরম্মী। নুপী অঙাং য়াওনা মীচম কয়াসু শিবা শোকপা য়াওনবগী ৱাফম চৈথারোল কুম্বাবদা পল্লি। মদুদগীসু হেন্দোক্তুনা যূম কয়াসু মৈ থাখিবগী ৱাফম থেংনৈ। মতুং তারকপদি বৃটিশ ওফিসর মঙা অমদি বেঙ্গুন খোংবা অমগী পুন্সি লোম্বগী চৈরাক পীখি। মতৌ অসুম্না কুম অদুগী য়াওশঙ মনুংদু চরাং খোইরাংননা লেল্লমগনি। অচুম অরান থিদবীনি, মখোয়গী মী শোল্লকপা মতমদদি তুমিন্না খাঙজিন্দুনা লৈথোকপা ঙমখিদে। সিলচর, তমু, কোহিমা মায়কৈ অহুমদগী বৃটিশ লান্মী থোমজিল্লক্তুনা মণিপুরদা লান দারকখিবনি। থৌবাল, খোংজোম, লাইমতোন চীংথক, ককচীংগী মচিন মনাও চীং লানবুং ওইখি। মায়োক্লবা লানফমদা থৌনা ফবা মণিপুরী লান্মী কয়া মণিপুরগী নীং তম্বা ঙাক্লবগীদমক মথ্বায় কৎখিবনি। পনবা য়াবা খরদি মেজর পাওনা, চীংলেনসনা, ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলানচিংবনি।

লান মনুংদা অঙকপা খুদম চাংদম অমা সনা কোনুংদা উৎলকখিবগী মতাং অমা চৈথারোল কুম্বাবদা য়াওরি। এপ্রিল ২২, ১৮৯১ শজিবু ১৩নি পানবা যূমশকৈশা নুমিৎনি। লাইনিংথৌ পাখংবগী শন্থোং পাংবদা চোং ফিরালগা লোয়ননা দোলাই অমা নোংদোন্দগী পাইথরকখি। অদুবু লৈমায় য়ৌরমদনা অমুক পাইখৎখিবদু মীয়াম্না উরম্মী। ৱাফম অদু মৈদিংঙু কুলচন্দ্রগী সনা নাকোং য়ৌরম্মী। অফ-ফত্ত খুদম চাংদম করি লৈবগে খঙদোক্লবা অখঙ অহৈ মাইচৌ পন্দিটশিং কৌখৎতুনা তানরম্মী। নিংথৌজাম্বা নহারুপ লাকপনা হায়বা মতুংইন্না শকাব্দ ১৮১৩ হায়বদি খৃষ্ট কুমজা ১৮৯১দা মৈদিংঙু চন্দ্রকীর্ত্তিগী চাদা নাওদানা মণিপুর ফম্বান্দা ফম্বগী মতম লোইরে হায়বগী খুদম চাংদম ওইরম্মী। হায়রিবা মতমদুদা নুমিৎপুসু লৈচিন মরোল অহুম্না কূপশিল্লম্মী। কুম অদুগী এপ্রিল থাদো কয়াদা মরাইবক থীখ্রবা! মজাইবুংঙো কালা শগোল হঞ্জবা, সনা ঙাংবা লৌরুং পুরেল, য়েঙ্খোইবা পোইলা, লোংজাম্বা পোইলানচিংবনা লুচিংবা মণিপুরী লান্মীশিংনা লাইমতোন চীংথক্তা সিলচরদগী থোমজিল্লকপা বৃটিশ লান্মীশিংগা লাম্থেংনবদা মায়থীখি। এপ্রিল ২৩ নৎত্রগা ২৫ ওইনীংবা ওইজসনু মণিপুরগীদি নীংশিংবা পামদ্রবা থৌদোক থোকখিবনি। খোংজোমগী অকনবা লানফমদা পাওনা, চীংলেনসনানচিংবা তমুরোমদগী চঙশিল্লকপালান্মীশিংগালাম্থেংনবদা থৱায়না পোম্থা ওইখি। ৱাংখৈ মৈরাবা পোইলা য়াওনা লান্মী কুন অমসু ককচীং মনাওচিংগী লানফমদা মরৈবাক কন্ননবগীদমক অথৌবা ওইখিবনি। ওম্থোক্লা নুংশিখ্রে, য়েক্লবনা অসুম অসুম লাঙ্গোই চনশিল্লক্লবা মীৎকুপ্তুদনি, মীখা পোনগদবা নোংমখক্তমক ঙাইরকান্দুদা লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশঙ শঙ্গারম্মী। মায় পাকপগী ফীভম উদ্রবদা মৈদিংঙু কুচলচন্দ্র, মনাওইবুংঙো টিকেন্দ্রজিৎনচিংবা ঙম্নমক নুংশিরবা সনা কোনুং থাদোক্লম্মী। এপ্রিল ২৭কী অয়ূক্তু অকনবা নোং চুখি হায়। মণিপুর ইমাগী পিরাং ওইরমদৌবোই খল্লি। সিলচররোমদগী থোমজিল্লকখিবা বৃটিশ লান্মীনা কোনুং য়ৌশিল্লকখি। অয়ূক পুং ৭ তারকপা মতমদনি, মখোয়না কোনুং খুদুম চনশিনখিবদু। অসুম্না চহী অদু মণিপুর ইমাগীদি লাইবক থীরবী এপ্রিল থা ওইখি। কুইরবগী তুংসিদা হাকুমসু কুমসিসু এপ্রিল থাসে কৈনোমা ইতৌ তৌরি। কোভিদ-১৯গী চৈথেংনা নুংঙাইফম খঙদ্রবা মতমসিদা কৌব্রু লাইফমলেনগী ৱাথোক অমুক লাক্লি। কৌব্রু লৈখাদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহীগী লাইশঙ, লাইশঙবগী যূমগী শরুক খরা অমদি ফি রোলনচিংবা পোৎ চৈ খরা মৈ চাকখিবদু থম্মোয় শোকপা থৌদোকনি। লাইনিং খুদিংমক্তা চপ মান্নবা মীৎয়েং থল্লিবা লৈবাক অসিগী মরু ওইবা লাইফমলেন অমা ওইরিবা কৌব্রু মশাইকোন্দা চঙজদুনা থৌনিজবদা অথিংবা পীবা হায়বসি অচুম্বা থৌওং নত্তে। চহী অসিগী এপ্রিলসি ঈং-তপ্পী থা ওইহনসি। ●

# মালেম রেভল্যুসনগী লময়ানবা ভি আই লেনিন -২

- সোতিনকুমার -

মতমগী ওইরিবা ফীভমসু কুপশিন্না নৈনদে। চেফোঙশিংদা মরী শম্নদবা পাউথোক (প্রোপেগন্দা) কয়া ফোঙদোরকপনা অশেংবা রেভল্যুসন অমবুসু মীয়ামদা লান্না উহনবগা লোয়ননা লিক্লম চুম্লবা ৱাখল মীৎয়েং পুথোকপা ঙমদে অমসুং থম্মোয় চেৎনা তুংইল্লিবশিংবু অরানবা লম্বীদা লমজিংই। মার্ক্সিজমগী লাইরিক কয়া নৈনরবসু মনুং য়ৌনা অচুম-চুমদা মশাগী ৱাহং পাউখুম মশানা পীজবা ঙমদবশিংদি অশেংবা মার্ক্সিষ্ট নত্তে। মরম অসিদগী লেনিননা বোলসেভিক মনুংদা য়েৎন য়ানদবা উবা ফংলক্লিবদু মতম চানা শেংদোকহৌনবা অমসুং বোলসেভিক্কী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা ‘লেফ্‌ট ৱিং কম্যুনিজম এন ইনফেন্টাইল দিসওর্দর’ হায়বা লাইরিক অমা ফোঙখিবদু লেফ্‌ট ৱিং কম্যুনিষ্টশিংনা তেল্লবা মতমগী মনুংদা মায় পাক্লবা চঙশিনগদৌরিবা রেভল্যুসন অমবু অকিবনা থল্লবা লানফম অমনি উবা (খঙবা) ঙমদ্রবদি মায়থীবা নংগনি তাকখি। কুমজা ১৮৭১গী পেরিস কম্যুন অদু মতমদুগী রেভল্যুস্নরিশিংগী ফীদমনীংঙাইনি। খুন্নাই অমদা বুর্জ্জুৱা অমসুং প্রোলেটরিয়েট অনীগী মরক্তা খেন্নবা, মুক্লবা থোকহল্লিবদুনা খুন্নাই অদুদসু লৈতাহন্দে অমসুং চয়েৎনবা কয়াসু থোকহল্লকই। পেরিস কম্যুন অদু মায় পাকখিদ্রবসু মদুদগী ফংবা লৌশিং অদুনা য়ুরোপকী প্রোলেটরিয়েট অমসুং শূ নোমদুনা হিংলিবশিংদা সোসিয়েলিষ্ট রেভলুসন অমগী থৌদাং মায়পুনবা ঙম্নবা ইথিল পী। লেনিননা তাক্লল্লিবসি দিক্টেটরসিপ ওফ প্রোলেটরিয়েটকী অহানবা চাংয়েং পরিক্ষানি। ৱার্কিং ক্লাস, প্রোলেটরিয়েট অমদি ইন্টেলেকচুয়েলশিংবু পোলিটিকেল ফোর্স অমা ওইনা অখন্নবা ক্লাস (কাঙলূপ) অমগী ৱাফম ৱাখৈবা ঙমহল্লবদি খুন্নাইগী মপূং ওইবা থৌদাংসু মায়পুনবা ঙমগনি। পেরিস কম্যুন অসিদি মালেমগী পুৱারীদা হোংবা নাইদ্রবা মায়ওন অমা ওইদুনা লৈহৌরগদবনি।

মমাঙদা থোকখিবা রেভল্যুসন অমগী শক্তম অমদি শোয়খিবশিং নৌনা নৈনদুনা শোয়দনা মায় পাক্লগদবা রেভল্যুসন অমগী ৱাখল লম্বী পুথোক্লবা হোৎনবসি লেফ্‌ট পার্টিশিংগী মীৎয়েংনি। মমাঙগী শোয়খিবা থৌদোকশিং অমসুং লাল্লোং অদুগী অচুম্বা লিখুন অমা চুম্না থিদোকপা ঙম্লবদি মায়োক্লরিবা সমস্যা কয়াসু কোকহনবা ঙমগনি। পুৱারীগী ওইবা লংলা লংজিন নৌনা থিদোকপা, ওইথোকপা য়াবা চৎন-পথাপ অমদি মতমদুগী ওইখিবা খুন্নাইগী ফীভম হঙ্গৎনা য়েংদুনা নৈনরবদি সাইন্টিফিক কম্যুনিজমগী যূম্ফম থোনবা ঙমগনি। মরম অসিদগী লেনিননা চেৎনা থাজৈ মদুদি মমাঙদা থোকখিবা রেভল্যুসন অমগী হৌরকফম অমসুং মতমদুগী খুন্নাইগী ফীভম নীংথিনা নৈনদুনা খঙনবা হোৎনরবদি মায় পাক্লবা রেভল্যুসন অমগী লম্বী ফংগনি। খঙজিনগদবদি রেভল্যুসন অমগী অশম্বা লম্বী লৈতে, অফবা খূৎলায় নৎত্রগা রেভল্যুসন্নরি ওর্গনাইজেসনগী শক্তি শীজিন্নদুনা কিহনবখক্লসু মায় পাক্লোই লোয়ননা মখোয়দু মীয়ামগী অমত্তা ঙাইরবা য়েক্লবশিংনি।

কুমজা ১৯১৭কী ফেব্রুৱারী থাদা বুর্জ্জুৱা রেভল্যুসন অমনা জারবু মফম লৌথোকখ্রবা মতুং চহীদুগী এপ্রিল ১৬তা লেনিন পেট্রোগ্রেদতা হল্লকখি। মহাক্লা স্বিটজরলেন্দদগী ত্রেন্না জর্মনি ফাওদুনা রসিয়া তম্না লাকখিবদু স্বিজ কম্যুনিষ্ট পার্টিনা জর্মনিগী ওথোরিটিদা হায়জরুবদগীনি। মহাক্লা রসিয়াদা হনখ্রবদি নোংপোক য়ুরোপতা খূৎ থোক্লরিবদু (রসিয়াগী বুর্জ্জুৱা রেভল্যুসন অমসুং অহানবা মালেমগী লাঞ্জাও লোইশিল্লকপা মতম) অদু ৱারোইশিন অমা পুরক্লগনি অমসুং রসিয়াদা অনৌবা অওনবা অমা পুরক্লগনি হায়বদু জর্মনিগী চেফোঙশিংদা চাউনা ইনরকই। মরম অসিদগী মহাকপু মেনসেভিকনা জর্মনিগী এজেন্ট অমনি হায়না মরাল শীখ। মেনসেইভিক্কী পাউথোক অদু লেওন ট্রোটসকিনা মতম চানা শেংদোকখি। মহাক্লা রসিয়াদা হল্লকপগা লৈবাক অসিদা রেভল্যুসন অমগী অহানবা খোঙ থাংজিনবা হৌরবসু ক্লাস কন্সিয়সনেস ৱাৎলি অমদি প্রোলেটরিয়েটশিংবু শরুক য়াহনবা ঙমদবনা বুর্জ্জুৱাশিংনা সাসনগী শক্তি পায়রিবনি হায়বদু বোলসেভিকশিংদা খঙহল্লি। রসিয়াগী অওনবা অশেংবা শক্তম অমা শাগৎনবা লৈবাক্কী শক্তি অসিগা মরী লৈনৈ অমসুং প্রোভিজনেল গভর্ণমেন্টতা বোলসেভিক য়াওদনবা ফিরেপ্তু শেংদোকই। জুলাই থাদা বোলসেভিক্লা হৌখিবা রেভল্যুসন অদু রেভল্যুসন্নরিশিংগী মরক্তা ইদিওলোজি চেৎশিনবা ৱাৎপদগী মায় পাকখিদে অমসুং লেনিনসু মপূং ফাবা রেভল্যুসন অমগীদমক নৈননবা ফিনলেন্দদা মতম খরা লৈখি। ওক্টোবর থাদা রসিয়াদা অমুক হল্লকখি অমসুং প্রোভিজনেল গভর্ণমেন্টপু মকোক ঙাওহনখিবা “ওল পৱার টু সোভিয়েট” হায়বা খোল্লাউ অমা পুখত্তুনা তোল্ল-তারবা লৌমী-শিন্মী, মিদ্দল ক্লাস পূন্না শরুক য়ারবা রেভল্যুসন অমা হৌদুনা মীয়ামগী অহানবা সাসন লিংখি। অনৌবা সোসিয়েলিষ্ট লৈবাক অসিগী সাসনগী থবক পায়খৎপদা মতেং ওইনবা “ষ্টেট এন্দ রেভল্যুসন” হায়বা নৈনা ৱারেং অমসু পুথোকই। মালেমগী লৈবাক কয়াবু মঙাল পীখিবা লোই লৈঙাক সাসনবু মরূ ফংনা মুথৎতুনা মীয়াম্বু মীকপ থোকহনখিবা “দি গ্রেট ওক্টোবর সোসিয়েলিষ্ট রেভলুসন” অদুগী ফীদম লৈবাক কয়ানা ঙসি ফাওবা লৌনরি।

য়াম্না শান্তি ওইনা মওং অমদা মায় পাক্লবা রসিয়াগী সোসিয়েলিষ্ট রেভল্যুসন অদুগী মতৌ তমদনবা লেনিননা লৈবাক কয়াদা নৌনা শেম্নরকখিবা কম্যুনিষ্ট পার্টিশিংদা খঙহল্লি। ৱাখল মীৎয়েং শান দবা, মশা খক্তগী ৱাখল্লোন্দা যূম্ফম ওইদুনা হৌখিবা রেভল্যুসন অমা মায় পাক্লবসু লুচিংবা অদুগী মমিংদি শক্ল শোন্নগনি। তৌবতবু মহাক্কী খোঙলোইশিং মচেৎ তাগনি অমসুং রেভল্যুসন অদুগী পান্দম মীয়ামদা য়ৌহনবা ঙমদবদগী লৈঙাক অদুসু মরা চেৎলোই। রসিয়াদসু রেভল্যুসন মায় পাকখিদবা লৈখি। রেভল্যুসন অমা ৱাখল খন্থবা য়ৌদনা হেক্তা মফম মতম চাদনা পাঙথোক্লবা থৌরাংলিবদু থিওরিটিকেল ওইবা মীৎয়েংদদি অরানবা অমনি হায়বসি ফ্রেদরিক এঙ্গেলসনা শেংনা তাক্লল্লবনি। অদুম ওইনমক রেভল্যুসন অমা খন্থবা য়ৌদনা হৌরুবদা মায়থীবা নংলবসু মদুগী কান্নবা অমসু লৈ। মায় পাকখিদ্রবা রেভল্যুসন অদুগী অরানবা খোঙথাং অমসুং শোয়খিবা মীৎয়েং পান্দম চুম্না থিদোক্তুনা রেভল্যুসন্নরিশিংবু খঙহনবা ঙম্লবদি মতুংগী রেভল্যুসন অদু মায় পাকপা ঙমগনি।

রসিয়ান রেভল্যুসন মায় পাক্লবা মতুংদা বোলসেভিক পার্টিগী মমিং রসিয়ান কম্যুনিষ্ট পার্টি হায়না খঙনরকখি অমসুং কম্যুনিষ্ট ইন্টরনেসনল শেম্লবা মতুংদা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ সোভিয়েট য়ুনিয়ন হায়না নৌনা খঙনখি। কুমজা ১৯২০দা সোভিয়েট য়ুনিয়ন মনুংগী ওইবা সিভিল ৱার অমা তৌরকখি। থৌদোক অদু বৃটেন, ফ্রান্স, য়ু এস এ অমসুং জপাননা লালহৌরিবা হ্বাইট আর্মিবু ফোংনা শৌগৎখি অমসুং লেওন ট্রোটসকিনা লুচিংবা রেদ আর্মিনা মায়থীবা পীদুনা অনৌবা সোভিয়েট য়ুনিয়ন অমগী যূম্ফম চেৎশিনহনখি। কুমজা ১৯২০সী লেনিননা অচৌবা থৌদাং অমা মায়পুনখি। চহী অদুদা লৌমী অমসুং সেলর (হি হোনবা) শিংগী ঈহৌ হৌরকখিবদু মরম থিদোক্তুনা অনৌবা ইকনমিক পোলিসি অমা হৌদোকই। ৱার কম্যুনিজম থাদোক্তুনা ইন্দষ্ট্রি অমসুং এগ্রিকলচর চাওখৎহন্নবা অনৌবা থৌরাং পায়খৎলি। ফুরুপ-কাঙলূপ খেন্নবগী অখূবা মীৎয়েং অমা জারগী মতমদগী চৎনহল্লম্বদু হোংদোক্তুনা জিয়ুশি অৱাংবা থাক্কী থবক পুহল্লম্মী। মহাক্লা কুমজা ১৯১৯দা মোস্কো রেদিওগী খূত্থাংদা পীখিবা পাউজেল অমদা জারগী পুলিসশিংনা লৌয়াম চাবা লৌপু অমসুং কেপিটেলিষ্টশিংগা খূৎশম্নদুনা শিন্মীশিংবু নাকপাক তাহন্নবা শিল্লি লোয়ননা জিয়ুশিংবু লান্না উহন্নবা হোৎনৈ। জিয়ুশিং শিন্মীশিংগী য়েক্লবসু নত্তে, শূ নোল্লিবশিংগী য়েক্লবদি কেপিটেলিষ্টশিংনি। জিয়ুশিংদসু মশীং য়াম্না শিন্মী য়াওরি অমসুং মখোয় ঐখোয় পূম্নমক্কী ইচিন ইনাওনি। মরমদি মখোয়সু কেপিটেলিষ্টশিংনা ওৎপীরিবশিংনি হায়খি।

লেনিন ধর্ম্ম, জাৎ খেন্নবা থম্বা পামখিদে। য়ুনিভর্সিটি ওফ মিচিগানগী হিষ্টোরিয়ন অমসুং জুদাইক্কী প্রোফেসর জভায় ভিতেলমান্না হায়রম্মী - রসিয়াগী পুৱারীদা ধর্ম্ম জাৎ থমখিদবা অহানবা লৈঙাক অদু লেনিনগী সোভিয়েট য়ুনিয়ননি।

রেভল্যুসন মায় পাক্লবসু লেনিন কম্যুনিষ্ট পার্টিগী মশক নাইবা ফম পায়খিদে। মহাক্লা লুচিংবা অমবু লাইগুম্না খন্না ইকায়খুম্নবা উৎনবসু পামখিদে। কুমজা ১৯২২দা সী পি এস য়ুগী অহানবা ওইনা সেক্রেটরি জেনরেলগী ফম থল্লবসু মহাক্লা ফম অদু পায়দনা সেন্ত্রেল কম্মিটিগী মেম্বর অমা ওইনা লৈখি। সোসিয়েলিজম চৎলবা অনৌবা লৈবাক অসিদা ব্যুরোক্রেটশিংগী মথি ফোঙলকপা উবদগী ষ্টেলিনবুসু সাসনগী থবক চেকশিন্নবা মতম মতমগী ওইবা পাউতাক পী।

মহাক্কী ইন্টরনেসনল ইকনমিক ওর্দর অমগী ৱাখল্লোন অদু মপূং ফাহন্নবা নোংচুপ লৈবাকশিংগা মরী থম্নবা হোৎনৈ। মহাক্কী মীৎয়েং মখাদনি ইন্দো সোভিয়েট ফ্রেন্দসিপ ত্রিটি মায় পাক্লবা চত্থরকখিবদু। ইম্পরিয়েলিজমগী শক্তি মায়থীবা পীবা ঙমগদবা ৱাখল্লোন পুথোক্লম্বা মার্ক্সিষ্ট থিওরিটিসিয়ান অসিনা লোই লৈবাকশিংবু নেসনল লিবরেসন মুভমেন্টকী লমজিং লমতাকই। মহাক্কী পাউতাক অমসুং থিওরিশিংদু ঙাক্লা চৎলবদি ৱর্ল্ড কম্যুনিষ্ট মুভমেন্টতা অশোয়বা য়াওরম্লোই অমসুং হেন্না মপাঙ্গল কনখৎলক্কনি। ●

IN THE COURT OF SUB - DEPUTY COLLECTOR, MOIRANG, MANIPUR

Ref :- Mut. Case No.263/SDC/Moirang/2021 Dt. 19/4/2021

1) Yurembam (O) Chaobi Devi W/o (L) Khema Singh of Moirang Sribon Leikai (0.33 acre on the east)
2) Yurembam Binoy Singh S/o (L) Gouramani Singh of Moirang Sribon Leikai (0.33 acre on the west)
3) Yurembam Jugindro Singh S/o (L) Gouramani Singh of Moirang Sribon Leikai (0.33 acre on the Centre) - Applicants.

-Vs-

1) Late Yurembam Gouramani Singh S/o (L) Khaiba Singh
2) Late Y. (N) Nongmaithem (O) Pishak Devi of Moirang Sribon Leikai.
-OP-Pattadar

[illegible] / NOTICE

Moirang, 19th April 2021

Under Section 46(3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি, মদুদি খুল নং ৫২ - মোইরাংদা লৈবা পাট্টা নং ৫২/৪১ (অরিবা), ৮৬৯ (অনৌবা), সী এস দাগকী নং ২২১৩ অমসুং ২২১৪, এরিয়া ০.৯৯ একর চাউবা ইশ্বোল অসিগী পাট্টাদার মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা হায়রিবা লম অসিগী মৃ: পাট্টাদারগী ইমুং-মনুংনা মীং ওনবীরো হায়না কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা আপত্তি/ওবজেক্সন তৌনীংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমীৎতগী নুমীৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা ওবজেক্সন তৌরদ্রবদি আইনগী মতুংইন্না মখা কেস চত্থগনি। মতুংদা লাকপা আপত্তি লৌজরোই।

HL-P/9172/20 *Sd/-* **Sub-Deputy Collector**, Moirang

[illegible]/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি



Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোম্বা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হাম্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোম্বা, অদুগা মখুল হূৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোম্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোম্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজ রে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-P/9231/15/3-16/4

**[illegible]/ খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ তাবা, অমাংথোঙ তম্খাই অমা পোমথোকপা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোমথোকপা, অমাংথোঙ মপান্দা মফম অনী থোক্লা চেকখায়বা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু পয়াগুম্না পিক্লা থোরকপা, অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা লৌথোকপা ফহনবগী ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি**



ঐগী হকচাংদা মতম কুইনা নুংশঙনা নাদুনা খোঙ হাম্বা খুদিংগী ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চারগনা হেন্না ঈ তারকপা, শা-ঙা চাবা খরা হন্থরগনা ঈ তাবা খরদি লৎপা, ঈ অসুম অসুম তাখিবনা হকচাংদা ঈ ৱাৎলকপা অমদি কোক ঙাওরকপা, অমাংথোঙ মনুংদসু পোম্বা খূৎনা থিংজিল্লগা য়েংবদা, খোঙ হাম্বা মতমদা পায়াগুম্না অমাংবা অদু পিক্লা থোক্লকপা, অমাংবা অদু লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, অমাংবা অদু খূৎনা কোৎলগা লৌথোকহৌদবা তারগদি অমাংথোঙ মনুংদা য়াম্না নুংঙাইতবা অমদি চিক্লি চিক্লি তৌরগা লৈবা হায়রিবশিং অসি ওজা রিয়াজুদ্দিন, ☎ **7085494783, 9856797338** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুগী থৌজালদগী ফরে। মরম অসিনা ওজা রিয়াজুদ্দিনবু থাগৎচরি।

**লায়েংফম :-(1) North AOC near Central GST Bhavan, Imphal. (2) Mayang Imphal (3) Mantripukhri Friends Colony Bylane-3 (4) Moreh Phaicham Veng.**

HL-P/9615/20 *থাগৎচরিবা :* **N. Mani, Leishangthem**

**[illegible]/অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, অমাংথোঙ মপান্দা মফম অনী থোক্লা চেকখায়বা, অমাংথোঙ মনুংদসু তৎপা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু পয়াগুম্না পানা থোক্লকপা, অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা শেংদোকপা ফহনবগী ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা অমাংথোঙ মপান অকোয়বদু চাওথোকপা, অমাংথোঙ মপান্দা মফম অনী থোক্লা চেকখায়বা, চেকখায়বা অদুনা মরম ওইদুনা খোঙ হাম্বদা নাবা, থুপ্পা অমদি শাবা, খোঙ হাম্বা লোইরগা চাম্বগী শোকপদা য়াম্না নাবা, অমাংথোঙ মপান্দা চানা মরূমুক চাউবা অমা পোকথোরকপা, নুমিৎ খরনি লৈরগা হান্না পোম্বা অদুগী মনাক্তা অমা অমুক পোমথোরকপা, অকোনবা পোম্লকপা অদু য়াম্না চিকপা-নাবা তৌরগা খাংবা ঙমদবা, নোংম-নোংমগী চিকপা-নাবা হেনগৎলকপা, কা হেন্না চিকপা অদুনা চাবা থকপা য়াদবা অমদি অহিং তূম্বা য়াদবা, নোংম-নোংমগী হকচাং ময়েং তাশিল্লকপা, অমাংথোঙ মনুংদসু তৎপা, করিগম্বা খোং অকনবা হান্নকপা তারগদি অমাংথোঙ মনুংগী অতৎপা অদুদা থেংলগা ঈ দ্রোপ দ্রোপ তারকপা, শা-ঙা চাবা য়াদবা, শা-ঙা চারগনা ঈ তারকপা অমদি ফম্বা মতমদা অমাংথোঙদা নাবা, অমাংথোঙ মনুংদু খুজিনবা, খোঙ হাম্বা মতমদা অমাংবদু মপান্দা লোইনা থোক্লকউ য়াদবা, খূৎনা কোৎলগা শেংদোকপা অমদি অমাংবদু পয়াগুম্না পানা থোক্লকপা, খ্বাং নাবা, লেংজুম অনীমক চিকপা-নাবা, ঙকশম মরী নাবা তৌরম্বা অদু অদু ষ্টেট অমদি নেসনল এৱার্দ ফংলবা **Regd. No. 1591/SR/IW/2019, MD. Zia-Ul-Haque Phusam ☎ 8414825323, 9774274439** দা চৎতুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপূগী থৌজালদগী মপূং ফানা ফরে। মরম অদুনা ওজা Zia-Ul-Haque পু থাগৎচরি।

লায়েংফম :1. Kekru Villa North AOC, Opp. Kekru Pat, Imphal (10 a.m. to 5 pm.)
2. Mayang Imphal, Konchak Makha Leikai. (6 am to 9 am.)
3. Yairipok Bamon Leikai Kabastan Road (Only Wed. & Sat. Open) (10 a.m. to 4pm.)

HL-B/6914/20 *থাগৎচরিবা :* **Th. Olen Singh, Khurai**

## এদিটরদা থারকপা ৱাকৎ, মীয়ামগী খোল্লাউ, পাউদম অমসুং অতৈ-অতৈ

### কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভনা হেন্না শাথীনা অৱাবা পীগদৌরিব্রা?

*ইকায়খুম্নজরিবা এদিটর,*

কুমজা ২০২০ অৱাবা কয়া থেংনদুনা চৎখ্রে। হীরম খুদিংমক্তা শোকহনবা চহী চা ওইখি। কুমজা ২০২১ অসিদসু কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভকী চৈথেং তপ্না তপ্না ইন্দিয়াগী ষ্টেট মহারাষ্ট্র, কেরলাদা হেনগৎলক্লি। কিদবসু য়াদ্রি ঐখোয়। চেকশিনহৌদবা মীকূপ্তা ঐখোয় খুদোংথিবদি শোয়দ্রে। হীরম খরদনা চেকশিনবা, হীরম খরদনা হোত্রোং হোবা থেংনদবসু নত্তে। ঐনা হায়দ্রবসু মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফমনি। মণিপুরদা লোকদাউন লাক্লবদি থেংনগদৌরিবা সমস্যা অদুক্কী মতিক ৱাংগনি। লায়রবা কয়াগী নোংমগী শুফম নোমফম খঙদবা কয়া অসিনা হিংবদা অৱাবা কয়া ওইগদৌরিবনি। অশিবা মশীং কয়া পোলোইবদা অৱাবা অমদি ওইগনি। হীরম খুদিংমক্তা মায়থীবা শোয়দ্রবনি। খ্বাইদগী অৱাবা চৈথেং ফংগদৌরিবসি কনানো?

হৌজিকসু প্রাইভেট সেক্টরদা থবক তৌরিবা শিন্মী কয়া অৱাবা মায়োক্লরি। মখোয়গী মচা মশু ইমুং মনুংগী হিংনবা লাম্থেংনবদা অৱাবা অমা ওইরি। ফেক্টরি মরাং কায়না লৈতবা ষ্টেট অসিদা হিংনবা লম্বী থিবদা অৱাবা অমদি ওইগদৌরি। লৈঙাক্লা কোভিদকী অনীশুবা ৱেভকী চেকশিন থৌরাং কয়া লৌখৎলি। নুমিদাংগী পুং ৭তগী অয়ূক পুং ৪ ফাওবা কর্ফিয়ু চলাইরি। মসি অফবা খোঙথাংনি। অদুবু মীয়াম্না কয়াম ৱাখল তাগদৌরিবনো হায়বদুদি য়েংবা তারি। কোভিদ-১৯ হোস্পিটাল মাঙজৌননা শাবা তারি অদু নৎত্রবদি চাবোকপী য়াওনা মীচম মীয়াম কয়াগী পুন্সিদি খুদোংথিনীংঙাই ওইগনি। স্কুল কোলেজগী মহৈরোয় কয়াসু কোভিদ-১৯গী ভেক্সিন পীবা মথৌ তারি। মীদিয়াগী থোঙদা কোভিদ-১৯গী চেকশিন থৌরাং কয়াগী মতাংদা ফোঙদোক্লি। অদুবু কাঙলোন অসি ইন্দবগী মমিদি তাবা উরি। হরাও কুম্মৈ কয়াদা এস ও পিগী কাঙলোন মপূং ফানা চৎনবা ওইদ্রি। মসি লাইবক থীবনি। কোভিদ-১৯গী অনীশুবা ৱেভ অসিনা কুমজা ২০২০দগী হেন্না অৱাবা ফংগদৌরিব্রা? ঐখোয় কোভিদ-১৯বু লাম্থেংননবা শেম শাবা মতম ওইরে। পোৎ চৈগী মমল তাঙখৎলকপা থিংনবা লৈঙাক্লসু মীৎয়েং চঙনবা শেম শাবা মতম ওইরে নৎত্রবদি মীচম মীয়াম কোক্তা খূৎ হাপ্পা ওইনা থোক্কনি।

*অদোমগী - পুয়াম অচৌ খুমনচা*